www.sanaleibak.in

# সনালৈবাক SANALEIBAK

PROGRESSIVE JOURNALISM

চহী চুপ্পা লেপ্তনা নুংতিগী ফোঙবা অহানবা মণিপুরী পাউচে



স্টেন্দর্দ রোবার্ট হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী বোর্দিংদা মহৈরোই নুপীমচা অমা থৌরী য়ান্দুনা শিখিবগা মরী লৈননা ফাখিবা রোবিন্সন কোর্টতা পুথোরকপদা মীয়াম্না হৌরকখিবা ঈরাং নমথননবা পুলিসনা এক্সন



য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর নিটিন গাটকরিগী পাউতাক ইন্দুনা মণিপুর ট্রেদ এন্দ এক্সপো সেন্টরগী কেম্পসতা পাঙথোকপা উ থাবগী থৌরমদা ইন্দষ্ট্রি মিনিষ্টর থোঙাম বিশ্বজিৎ শরুক য়াদুনা উ চারা থাবগী শক্তম



মতম শাংনা লৈঙাক্কী থবক তৌরম্বদগী পেন্সন চাদুনা লৈরিবা পেন্সন্নরশিংনা ৭ শুবা পে কম্মিসনগী মতুং ইন্না মখোয়দা পেন্সনগী শেনফম হেনগৎপগা মরী লৈনবা দিমান্দশিং তৌরদুনা ৱাকৎ মীফম ফম্বগী শক্তম

Volume No: 43 Issue: 249 | IMPHAL TUESDAY 06 AUGUST, 2019 | লৈবাকপোকপা, থৱানগী ৬ নি পানবা | RNI Regd. No. 31350/77 | PAGE : 8 Price:Rs 3.60

**ৱাখলগী চিঙ্গাক**

নহাক্কী তুংলমচৎতি নহাক্না ঙসি তৌবদুনা শেম্বনি

**অঙৌং–অশা**

খ্বাইদগী শাবগী চাং ঃ ৩৫.৪৩° সি
খ্বাইদগী ঈংবগী চাং ঃ ২২.৪৪° সি
নোংজুগী চাং ঃ ০ এম এম
নুমিৎ থোকপা ঃ অয়ুক পুং–৪.৪৪
নুমিৎ তাবা ঃ নুংথিল পুং–৫.৫৬

**পেট্রোল, ডিজলগী মমল**

পেট্রোল লিটরদা – লুপা ৬৮.৬৯
ডিজল লিটরদা – লুপা ৬২.২৫

SAMSUNG OFFER
SAMSUNG 32" LED
TATA SKY FREE
SAMSUNG REFRIG 2 / 3 STAR 190 LT.
₹ 38,000/-
INTEX 7.2 KG WASHER
SAMSUNG 43" LED
FREE ₹2499
SAMSUNG REFRIG 2 / 3 STAR 190 LT.
₹ 53,999/-
SAMSUNG 7.2/6.5 KG WASHER
Videocon House, Paona Bazar, Imp.
Chingtam, Opp. Hotel Anand Contt.
Sarajeevan Ent. Paona Bz. Imp.

SONY 'LED' Spl.
KLV-24P413D ₹ 15,900 = ₹ 13,990
KLV-32R202F ₹ 23,900 = ₹ 18,990
KLV-32R302F ₹ 26,900 = ₹ 21,990
KLV-32R422F ₹ 30,900 = ₹ 24,990
KLV-40R252F ₹ 43,900 = ₹ 35,990
KLV-40R352F ₹ 47,900 = ₹ 39,990
KLV-43W662F ₹ 56,900 = ₹ 48,990
KLV-50W662F ₹ 70,900 = ₹ 58,990
SONY HOUSE
VIDEOCON HOUSE
PAONA BAZAR, IMPHAL

গ্যাসকী পাউ লাঃ ৬ তা

**লোইরেদনা**

জম্মু কাশ্মীরসু শেগায়খ্রে, ঐখোয়গীসু...



ঐখোয়গীদি কুইরেদা শেগায়বা, শেগায়দবা জ গা য়াওদ্রে, মপান থোক্তবতা ঙাইরে...

**হেক্তা হায়জিনবা**

### অখন্দ ভারত

অখন্দ ভারতনা থোম্বদা
কাশ্মীরনা কায়বদা
নাগালিমনা নারেদো
অখন্দ ভারতনা থোম্বদা
নীংতম্বগী অশা তৌরম্বা
মশাগী লৈঙাক পথাপ লৈরম্বা
ঙন্নমক পুমতোই তোইদা
নাগালিমনা নাহেরে
মশাগী ফিরাল পামজবা
মশাগী পাস্পোর্টকী খঙ্বা
গ্রেটর নাগালিম মঙজবা
কদোমদা থোক্লনি খনবদা
নাগালিম নারে
নাগালিম নাহেরে
অখন্দ ভারতনা থোম্বদা
কাশ্মীরনা কায়বদা
নাগালিম নারে
ফুম্বংনরে কংলৈপাক

## জম্মু এন্দ কাশ্মীরদা অখন্নবা ষ্টেটস পীরিবা আর্টিকল ৩৭০, আর্টিকল ৩৫–এ চৎনহনখিদ্রে

# জম্মু কাশ্মীর ২ থোক্লগা য়ুনিয়ন টেরিটৌরিদা হন্থহনখ্রে

ন্যু দিল্লি,ওগষ্ট ০৫ (এজেন্সি)ঃ

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা প্রিসাইদ তৌদুনা ঙসি অয়ুক পুং ৯ লোম তাবদা ন্যু দিল্লিদা ফমখিবা য়ুনিয়ন কেবিনেটকী মীফমনা জম্মু এন্দ কাশ্মীর অনী থোক্না থুগায়বগা লোয়ননা য়ুনিয়ন টেরিটোরিগী থাক্তা পুথনবা ৱারেপ লৌখ্রে। কাশ্মীরদা স্পিসিয়েল কেটিগোরিগী ষ্টেটস অমা পীরম্বা কন্সটিট্যুসনগী আর্টিকল ৩৫–এ অমসুং আর্টিকল ৩৭০ লৌথোকখ্রে।

কন্সটিট্যুসনগী আর্টিকল ৩৭০ অমসুং মসিগা শাগোন্ননা চৎলিবা আর্টিকল ৩৫–এ লৌথোক্কবা কেবিনেটনা ৱারেপ লৌরবা মতুং ইকান কান্নদনা লৈবাক অসিগী প্রসিদেন্টনা অয়াবা পীখি অমসুং গেজেট নোটিফিকেসন থোকখি।


নিংথৌ পানবা মনীং–মখা তন্বা লৈবাক অমা ওইনা ইন্দিয়াদা তিনখ্রবা মতুংদা ষ্টেট অমা ওইনা লৈরম্বদু প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী লুচিংবা লৈঙাক্লা জম্মু এন্দ কাশ্মীর (জম্মু কাশ্মীর) হায়বা লেজিসলেচর লৈবা য়ুনিয়ন টেরিটোরি অমা অমসুং লদাকপুনা লেজিসলেচর লৈজদবা য়ুনিয়ন টেরিটোরি অমা ওইনা লৈহন্ননবা কেবিনেটকী ৱারেপ অদু থবক্তা ওন্থোক্লনবগীদমক বিল ওইনা ঙসি পার্লিয়ামেন্টতা হোম মিনিষ্টর অমিত সাহনা পুথোরকখ্রে।

য়ুনিয়ন টেরিটোরি অনী থোক্না খায়দোকপগী বিল অদু হোম মিনিষ্টর অমিত সাহনা জম্মু এন্দ কাশ্মীর রি–ওর্গনাইজেসন বিল হায়না মমিং থোল্লগা রাজ্য সভাদা পুথোরকখি। বিল অদু ঙসি নোংমা চুপ্পা খন্নরবা তুংদা ভোট লৌনখি। ভোট লৌনবা অদুদা বিল অদুবু এম পি ১২৫ না শৌগৎখি অদুগা ৬১ না বিল অদুগী মায়োক্তা লৈখি।

বি জে পিনা লুচিংবা এন দি এ লৈঙাক্লা রাজ্য সভাদা মপূং ফাবা মেজোরিটি ওইদ্রগসু বিল অসি পাস তৌবা মতমদা এন দি এগী মপাঙ অমা ওইরিবা জে দি য়ুনা ৱাক আউট তৌখি। কোংগ্রেস, দি এম কে, ট্রিনামুল কোংগ্রেসনচিংবা পার্টিশিংনা বিল অসিগী মায়োক্তা ভোট পীখি। আর্ম আদমি পার্টি বিজু জনতা দল, বহুজন সমাজ পার্টিনচিংবনা বিল অসিবু শৌগৎখি।

য়ুনিয়ন কেবিনেটনা ঙসি অয়ূক ৱারেপ ওইনা লৌখ্রবসু ৱাফম অদু কনামত্তদা লাউথোক্তনা থমখি। পার্লিয়ামেন্টকী চরাংনবা মরক্তা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর অমিত সাহনা আর্টিকল ৩৭০ চৎনদনবা সরকারনা ৱারেপ লৌরে হায়না লাউথোকখি।

আর্টিকল অদু চৎনহন্দবগী মরু ওইবা মরম পীরদুনা মহাক্না হায়খি, আর্টিকল অসিনা জম্মু কাশ্মীরগী মীয়াম কান্নবা অমত্তা ফংদ্রে অমসুং







পোলিটিক্স তৌবশিংনা শেঞ্জা–থুমজা চত্থবা হেনগৎলক্লে। আর্টিকল ৩৭০ অসিনা জম্মু এন্দ কাশ্মীরনা ইন্দিয়াগী মনুং চল্লকপদা কৈদৌনুংদসু মতেং পাঙখিদে অমসুং আর্টিকল ৩৭০ গী মমাঙদদি জম্মু এন্দ কাশ্মীর অসি ইনি দয়াগী শরুক অমা হান্ননা ওইখ্রবনি।

অমিত সাহনা মখা তানা হায়, আর্টিকল ৩৭০ অসি মতম খরগী তুংদা লৌথোক্কনি হায়বগী ৱাখল্লোন্দা য়ানখিবনি। অদুবু পোলিটিকেল পার্টি অমত্তনা মসি লৌথোক্লবা হোৎনখিদে।

এন দি এ গভর্ণমেন্টনা লৌখৎলক্লিবা থোঙথাং অদুবু য়ানীং দবা ফোঙদোক্লদুনা ওপোজিসন লীদর গুলামনবি অজাদনা হায়খি, ফীভম খুদিংমক্তা কোংগ্রেসনা কন্সটিট্যুসনবু ঙাক– শেন্ননবা হোৎনগনি। বি জে পিনা লৈবাক অসিগী কন্সটিট্যুসনবু ইকায়খুন্নদ্রে। জম্মু এন্দ কাশ্মীরগী অপূনবগী শক্তম অমসুং ঙমখৈ থুগায়দুনা লৈবাক অসি ঙসি নিং থৌকাবা নুমিৎ অমম্বা নুমিৎ ওইহল্লে।

বহুজন সমাজ পার্টিগী লুচিংবা ছটিশচন্দ্র মিস্রানা হায়খি, মহাক্কী পার্টিনা লৈঙাক্কী বিল অমসুং আর্টিকল ৩৭০ লৌথোক্লবগী খোঙথাং অদুবু শৌগৎলি। আর্ম আদমি পার্টিনা লৈবাক অমদা কন্সটিট্যুসন অনী চৎনহনবগী মওংদা আর্টিকল ৩৭০ চল্লাইবসি য়ানীংদে। মরম অদুনা পার্টি অসিনা লৈঙাক্লা পুথোরক্লিবা বিল অসি শৌগৎকনি। এ আই এ দি এম কেগী লুচিংবা নবনিতা কৃষ্ণনসু বিল অমদি ৱরেপ অদুবু তরান্না ওকখি। সিবসেনাগী লুচিংবা সঙ্কর রাৱতনসু চপ মান্নবা ফোঙদোক্তুনা লৈঙাক্কী খোঙথাং অদুবু শৌগৎখি।

বিল অসি ঙসি রাজ্য সভানা অয়াবা পীখ্রবা মতুংদা হয়েং লোক সভাদা পুথোক্তুনা খন্নগদৌরি। লোক সভাদা ওপোজিসনগী এম এল এ মশীং য়াম্না লৈতবনা মরম ওইরদুনা বিল অসি শোয়দনমক্কী পাস তৌবগী ফীভমদা লৈরে।

ঙসিগী মীফম চত্থরিঙৈদা পি দি পিগী মেম্বরশিং মির ফয়াজ অমসুং নাজির অহমদ লাৱেরনা ইন্দিয়ান কন্সটিট্যুসনগী কোপী শেগায়ননবা হোৎনবগীদমক রাজ্য সভাগী চেয়ার্মেন, এম ভেঙ্কয়া নাইদুনা হাউসতগী মপান থোকহনখি। মেম্বরশিং অদুনা আর্টিকল ৩৭০ চৎনহনখিদববু য়ানীংদবা ফোঙদোক্তুনা ইন্দিয়ান কন্সটিট্যুসনগী কোপী শেগায়ননবা থৌরাং তৌখিবনি।

সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টনা ষ্টেট অসিদগী আর্টিকল ৩৭০ লৌথোক্লগনি হায়না হেক লাউথোকপগা ইন্দিয়ান ইয়ারফোর্সকী সি–১৭ ট্রান্সপোর্ট প্লেন শীজিন্নদুনা পেরা মিলিটরি ক্রুপ ৮০০০ ইয়ার লিফট তৌখি। মসি হান্ননা হৌখিবা চয়োলদগী হৌনা ষ্টেট অসিদা হোঞ্জিল্লগা পোজিসন লৌহন্দুনা থমখ্রবা ক্রুপ ৩০,০০০ অদুগী মথক্তনি। লৈবাক অসিগী সেক্যুরিটি ফোর্মেসন পুন্নমক মরু ওইনা জম্মু অমদি কাশ্মীরদা লৈরিবশিং অদু 'হায় এলার্ট' তা লৈহনখ্রে হায়না হোম মিনিষ্ট্রিগী হয়ার ওফিসিয়েল অমনা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখ্রে।

জম্মু অমদি কাশ্মীরগী স্পিসিয়েল ষ্টেটস লৌথোক্লবা ৱাফম পার্লিয়ামেন্টতা পুথোক্লিঙৈগী মমাঙদা গভর্ণমেন্টনা চেকশিন–থৌরাং লৌখৎখি। গভর্ণমেন্টনা জম্মু অমদি কাশ্মীরদা মোবাইল সার্ভিস পুন্নমক মুথৎখি। জম্মু, দোদা, কথুআ অমদি উধমপুর দিষ্ট্রিক্টশিংদা লৈবা স্কুল, কোলেজ অমদি অতৈ এদুকেসন ইন্সটিট্যুসন পুন্নমক থিংজিনবগা লোয়ননা হোষ্টেলদা লৈবা মহৈরোইশিংবু হোষ্টেল থাদোক্তুনা চৎখিনবা খঙহনখি। শ্রীনগরদা ঙরাং অহিং নোংয়াইদগী কোদ ওফ ক্রিমিনেল প্রোসিদ্যুগী সেক্সন ১৪৪ গী মখাদা অথিংবা থমখি। অথিংবা অসি জম্মুদসু ঙসি অয়ুক পুং ৬ তগী থমজিনখি।

কাশ্মীরগী হান্নগী চীফ মিনিষ্টরশিং ওমর অবদুল্লা অমদি মেহবূবা মুফটি পুলিসনা ফাজিন্দুনা মনাক নকপা গেষ্ট হাউসতা থমখ্রে। লুচিংবা উসমান মজিদ অমদি সি পি এমগী এম এল এ তারিগমিনসু মখোয়বু ঙরাং অহিং নোংয়াই অদুদগী *মখা লমায় ৩দা...*

**মচং ওইবা ৱাফম**

- কন্সটিট্যুসনগী আর্টিকল ৩৭০ অমদি ৩৫–এ লৌথোক্লগনি।
- জম্মু এন্দ কাশ্মীর য়ুনিয়ন টেরিটৌরি অনী থোক্ন থুগায়রগনি।
- জম্মু এন্দ কাশ্মীরগী মীওইশিংনা দ্যুয়েল সিটিজন্সিপ ফংলম্বদু ফংলরোই।
- জম্মু এন্দ কাশ্মীরগী তোঙানবা ফিরাল লৈররোই।
- মাইনোরিটিগী রিজার্ভেসন লৈরগনি।
- ইন্দিয়াগী এক্ট পুন্নমক চৎনহল্লগনি।

## চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা থোঙাম বিশ্বজিৎতা পৱার, ৱার্ক্সকী পোর্টফোলিও অমুক হন্দোকখ্রে

ইম্ফাল,ওগষ্ট ০৫ (এস এন এস)ঃ চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেন শিন্দোকউ হায়বা দিমান্দ তৌরদুনা থা ২ হেন্না লৈঙাক মনুংদা উংখৎনদুনা লৈরম্বদু চনীং তাবা ফীভম অমদা লাক্লে হায়বগী খুদম অমা ওইনা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা পৱার অমসুং ৱার্ক্সকী লৌথোক্লুরবা পোর্টফোলিও অমুক হন্দোকখ্রে।

ঙসি নুমিদাং মণিপুর লৈঙাক্কী চীফ সেক্রেটরী ডা. জে সুরেজ বাবুনা থোকখিবা নোটিফিকেসন অমগী মতুং ইন্না মিনিষ্টর টিঐচ বিশ্বজিৎনা হৌজিক পৱার, পব্লিক ৱার্ক্স দিপার্টমেন্ট, রুরেল দিভলপমেন্ট এন্দ পঞ্চায়তি রাজ, কম্মর্স এন্দ ইন্দষ্ট্রিস, এদমিনিষ্ট্রেটিভ রিফোর্ম এন্দ ট্রেনিং, ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিক রিলেসন পায়রগনি। অমরোমদা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা হোম, পার্সোনেল, প্লান্নিং, জি এ দি, ভিজিলেন্স, ট্রান্সপোর্ট মাইনর ইরিগেসন, সেরিকলচর, টুরিজম, মাইনোরিটি এন্দ ও বি সি, ইনফোর্মেসন টেক্নোলোজি, ফাইনান্স, এক্সাইজ, টেক্সেসন অমসুং মিনিষ্টর অতৈদা পীদবা পোর্টফোলিওশিং পায়রগনি হায়রি।

অদুম ওইনমক দিপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর ৱাই জয়কুমারদা ফাইনান্সকী পোর্টফোলিও হন্দোকপগী ৱাফম লৈখিদ্রে। ফম অসি হৌজিকসু চীফ মিনিষ্টরনা অতোপ্পা মিনিষ্টর অমত্তদা পীথোক্কনি হায়বগী থাজবা লৈত্রে মিনিষ্টর রিসফল তৌরবা তুংদা অমুক নৌনা পোর্টফোলিও য়েন্থোক্কনি হায়রি।

থাজবা য়াবা মফমদগী ফংবা পাউনা হায়, অনৌবা খোঙথাংশিং অসি বি জে পিগী নেস্নেল লীদরশিংনা হন্দক্তা লৌরকপা ৱারেপ অদু থবক্তা ওন্থোরকপনি। নুমিৎ নীনি খক ফমগদৌরিবা এসেমব্লি সেসন অসি হেক লোইবগা রিসফল শোয়দনা তৌবগী ফীভমদা লৈরে। হৌজিক ফাওবগী ওইনদি এম এল এ খরসু দিল্লিদা কেম্প তৌদুনা লৈরি। মখোয় পুন্নমক এসেমব্লি সেসন য়াওননবগীদমক মণিপুরদা থোকখিনবা সেন্টরগী লুচিংবশিংনা হান্না পাউতাক পীরকখিবা লৈখ্রবনি। মখোয় এসেমিব্লি সেসন ফমদ্রিঙৈগী মমাঙদা মণিপুরদা থোরক্লবা য়াই হায়রি।

## রোবিন্সন কোর্টতা পুথোরকপদা ইরাং থোকখ্রে

ইম্ফাল, আগষ্ট ০৫(এস এন এস)ঃ

রেবিন্সনা মীশিগা মরী লৈননা ষ্টেন্দর্দ রোবার্ট হয়ার সেকেন্দরি স্কুলগী ফাউন্দর পি ঐচ লন্ধোনিগী মচানুপা রোবিন্সন কোর্টতা পুথোরকপদা নুপীশিংনা কোর্টতা থোমজিন্নবা হোৎনবদা ইরাং থোকখ্রে, পুলিসনা টিয়ার গ্যাস কাপ্তুনা থোমজিল্লকখিবা নুপীশিং তানখায়খ্রে, মীয়ামগী মীফম পাঙথোক্তুনা মখা তাবা খোঙজং চংশিন্নবা ৱারেপ তরুক লৌখ্রে।

পাউ অসিনা হায়, ষ্টেন্দর্দ রোবার্ট হয়ার সেকেন্দরি স্কুলগী জুনিয়ার এদমিনিষ্ট্রের ওইরিবা পি ঐচ রোবিন্সন ঙসি অয়ুক চীফ জুদিসিয়েল মাজিষ্ট্রেট ইম্ফাল ৱেষ্ট চৈরাপ কোর্টতা পুথোক্তুনা নুমিৎ ১৫নি জুদিসিয়েল কষ্টদিদা রিমান্দ লৌদুনা জেলদা থাজিনখি। মহাক বেবিসানাগী মীশি অসিগা মরী লৈননা পুলিসনা ফারগা কোর্টতা পুথোল্লবা মতুং নুমিৎ ৭নি পুলিস কষ্টদিদা রিমান্দ লৌথদুনা লৈরকখিবনি। অদুবু রিমান্দগী মতম লোয়দুনা মহাক ঙসি কোর্টতা পুথোরল্লবা মতুং জুদিসিয়েল কষ্টদিদা রিমান্দ লৌথখিবনি।

মহাক ঙসি কোর্টতা পুথোরকপা অদুদা পামদবা থৌদোক থোক্লকপা য়াই হায়বগী চিংনবা লৈবদগী মশীং য়াম্লবা পুলিস পার্সোনেলশিংনা উরিপোক চৈরাপ কোর্টকী অকোয়বদা চেকশিননা ঙাকশেল্লগা লৈখি।

অমরোমদা, রোবিন্সন কোর্টতা পুথোকখ্রে হায়বা পাউ ফংবদগী থাং মৈবন্দ অমদি খ্বায়রম্বন্দ কৈথেল ফম্বী নুপীশিং পুল্লগা চৈরাপ কোর্ট তম্না থোমজিনখি। অদুবু মফমদুদা ঙাক শেল্লম্বা পুলিস পার্সোনেলশিংনা থিংবদগী চাওনা মুক্তরকখি। ইরাং থোক্লকপা অদুদগী থোমজিল্লকখিবা নুপীশিং অদু পুলিসনা টিয়ার গ্যাস অমদি মোক বোম কাপ্তুনা তানখায়বদগী ইরাং অদু নেমথখি।

ইরাং অদু লোয়রবা মতুং নুংথিল পুং ২ রোম তাবা মতমদগী হৌদুনা থাউ থাংমৈবন্দগী *মখা লমায় ৩দা...*

## সিভিল সেক্রেটরিয়েট খুন্তাক লানশিখ্রে

ইম্ফাল,ওগষ্ট ০৫ (এস এন এস)ঃ

মণিপুর সেক্রেটরিয়েট সার্ভিল এসোসিয়েসননা তোঙান তোঙানবা দিমান্দশিং তাল্লদুনা চঙশিল্লকপা থবক লেপ্পগী খোঙজং ঙসিদগী খংকন কন্শিনহনখ্রে। ওফিস মনুংদা থবক শুবা মশক নায়বা মীওইশিং ইমপ্লোইয়ীশিংনা কাগী মপান্দা পুথোকপগা লোয়ননা ছো লোনশিনখ্রে। মসিগীসু মথক্তা সেক্রেটরিয়েটকী মরু ওইবা মফম কয়ামরুমদা শুমচিৎ অমসুং ফি ফত্ত–হৌদিনা শম্বল খাজিন্দুনা থম্বদগী লৈঙাক্কী য়াংলেন শরু ওইরিবা সিভিল সেক্রেটরিয়েট খুন্তাক লানশিখ্রে।

## নাগা পিছ তোল্ককী মতাংদা সি এস ওশিংগা কন্সলটেটিভ কম্মিতিগা উন্নখ্রে

ইম্ফাল,ওগষ্ট ০৫ (এস এন এস)ঃ

হৌজিক চত্থরিবা এন এস সি এন–আই এম অমসুং ইন্দিয়া লৈঙাক্কী মরক্তা চত্থরিবা ফ্রেম ৱার্ক এগ্রিমেন্ট অমসুং পিছ তোল্ক অসিনা ষ্টেট অসিগী ওইহল্লকপা য়াবা ফিভমগী মতাংদা মণিপুর লৈঙাক্কী কন্সলটেটিভ কম্মিতি ওন নাগা পিছ তোল্কগী মীহুৎশিংগা অমুকো, য়ুসিএম, সি সি এস কে, হরিকোন অমসুং লিপুলগী মীওই ২৭না শাবা মীহুৎ কাঙবু অমগা ঙসিন নুমিদাংৱাইরম পুং ৫.৩০ তাবা মতমদা চীফ মিনিষ্টর সেক্রেটরিয়েটতা উন্নদুনা ৱাফম কয়া খন্নখ্রে।

চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা চেয়ার লৌদুনা চত্থখিবা মীফম অদুদা হৌজিক লৈরিবা নাগা পিছ তোল্ককী তাঙ্কক অমসুং মসিনা মরিপুরদা ওইরক্লিবা ফিভমগী মতাংদা মীফম অদুদা খন্ন নৈন্নখি। লৈঙাক্কী কন্সলটেটিভ কম্মিতিগী মেম্বর রিটয়ার্দ লেফটিনেন্ট জেনরেল হিমালয়না হৌজিক ফাওবদা কন্সলটেটিভ কম্মিতিনা চঙশিল্লকপা থবক থৌরমশিংগী প্রোগ্রেস অদু মীফম অদুদা পুথোক্তুনা থমখি।

মীফম অদুদা সি এস ওশিংগী মায়কৈদগী হৌজিক চত্থরিবা নাগা পিছ তোল্ক অসিগী ৱারোইশিন পুরক্লবা হোৎনবদা ইন্দিয়া লৈঙাক্লা করম্বা খোঙথাং লৌরক্লবা হোৎনরিবগে হায়না হংখি। লোয়ননা মণিপুরগী ওইনদি নাগা পিছ তোল্ক অসিনা অপুনবগী শক্তমদা অকায়বা অমত্তা পীবিদনা লোইশিন্নবা হোৎনরকপদা অকায়বা লৈরোই অমসুং হৌজিক মখা তানা ইন্দিয়া লৈঙাক্লা করম্বা খোঙথাং লৌরক্কদৌরিবগে হায়বদু য়েংশিনমিন্নবগী তঙাইফদবা লৈরি হায়না ফোঙদোকখি। অসিগুম্বা তাঙ্কক অসিদা কন্সলটেটিভ কম্মিতিগা সি এস ওশিংগা মতম মতমগী ওইনা লাক্লিবা অহোংবশিং অদু য়েংশিনমিন্ননবগী অপাম্বা ফোঙদোক্লমখি হায়রি।

ঙসিগী মীফম অদুদা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেনগী মায়কৈদগী হৌজিক ফাওবগী ওইনা নাগা পিছ তোল্ক অসিগী মতাংদা ইন্দিয়া লৈঙাক্লা করিগুম্বা প্রেসর *মখা লমায় ৩দা...*







## *Khurumjari*

### SANJENBAM VIKRAM

Executive Director, Heritage Convent

With regard to the news item in various newspapers on 1st August, 2019, yours truly is pleased to put forward the following for kind perusal.

**1. On personal front :**

Husbands and wives in the course of their journey in life together go through a series of trials and tribulations. I and my wife have had a fair share of it. Yes, there had been an accident where my wife had been injured but not "stabbed", as alleged nor was it because of "a third person", and least because of the person named. Moreover, the said accident happened many years back and it had already been in the public domain. Why rack up such an old issue and be clubbed with the recent issue of our teachers going on a picnic and the felicitation function following our super performance in the H.S.L.C. Examination 2019 and be presented like a scoop of the day – A classic example of a malicious campaign based on ill founded unverified sources. The fact that we have weathered many a storm together for more than a quarter of a century is proof enough that we have vowed to aged gracefully as man and wife.

**2. On Felicitation Ceremony (25th May, 2019) :**

To put up some students in the top 25 positions in the H.S.L.C. Examination is the perfect icing on the cake of a school. Four of our students managed (15th, 20th, 22nd & 25th rank). As in the past, this year too, a grand felicitation function was organised on 25th May, 2019 at Haorang Sabal, our new campus, where we invited parents /guardians and well wishers. Sadly, there was a minor scuffle between two of our men teachers. They have been adequately warned and should such an incident happen ever again the consequences would be very severe – even dismissal. We would like to place our due apology for what had happened.

Some of our men teachers staying back and enjoying a friendly drink after everybody has gone could well be perceived within permissible limit of having fun. Here, yours truly is of the belief that there is a distinction between the professional life of a teacher when the students and parents are present on a working day as against the personal life of a teacher when the students are not there.

**3. On Staff Picnic at Sentui, Churachandpur (6th July, 2019) :**

Going on a picnic presupposes a day of hanging out with friends and relatives. There is bound to be some frolicking and merry making. It was a well deserved break for our teachers especially after days of hard work– a perfect time to unwind. The trip had been funded by the teachers themselves and yours truly as a token of love and affection dutched in some cash and two bottles with this advice to drink responsibly. No lady teachers were involved. It was a fun day enjoyed by everyone in a group and not "cosying up in twos" as has been alleged. Yours truly is of the belief that the situation could have been construed in a different light had students also been taken along on a field trip or on an excursion and our teachers were to have indulged in whatever they had done.

**4. On Recruitment and Retrenchment Policy:**

A very strict recruitment and retrenchment policy is in place. Staff recruitment is based on a rigorous system of written test, mock teaching and personal interview. Likewise, a staff is retrenched after a severe scrutiny of indiscipline or ineffectiveness and not on whimsical ground.

Heritage as a school is run on professional lines. Yours truly is honoured to admit that the school is blessed with highly motivated professional staff. Kudos to the parents and well wishers for their kind and unstinted support and placing their faith in us. Thank you everyone. Kindly continue to support and patronise us.

Do Heritage deserve only the Brickbats and not the Bouquets?

**– Thagatchari –**

SL/5182(E)/6